
থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# সনা লৈবাক্তা হৌ য়াদবা সনা পান্থী





মণিপুর! অহিংবা কলা (পার্ফোর্মিং আর্ট) মখল কয়াগী হৌফমনি অমদি তুংনফমনি। পার্ফোর্মিং আর্ট হায়বসি ক্রিয়েটিব আর্ট অমনি। হায়বদি, মণিপুরদা ক্রিয়েটিব ওইবা আর্টিষ্ট মরাং কায়না লৈরম্মী। ক্রিয়েটিব আইদিয়া লৈতনা ক্রিয়েটিব আর্টিষ্ট লৈবা হৌনদে। অদুনদি, ৱাফমসিমদি পুম্নমক্না য়াগনি মদুদি মমাঙৈদা, নোংচুপলোমগী এদ্যুকেসনগী মঙাল ফংদ্রিঙৈদা লমদমসিদা অনৌবা আইদিয়া পুথোকপা ঙম্বা মীওইশিংগী মীরোল অমা লৈরম্মী। অদুগুম্বা মতম অদুবু গোল্ডন-ইরা হায়না খঙনৈ।

অদুগুম্বা মণিপুরগী ক্রিয়েটিব গোল্ডন-ইরা অদু লোইখরে, অনৌবা ক্রিয়েটর থোক্লককখিদবা কুইরক্লে হায়নরিবসিসু কুইরক্লে। ক্রিয়েটিব আইদিয়া পুথোকপা ঙম্বা মীদি মরাং কায়, ‘ক্রিয়েট তৌবা’ ঙমদবগী ৱানি। অহিংবা কলা মখল কয়ানা মরাং কায়রবা মণিপুরসিদা হান্নদগী লৈরকপা (ইপা-ইপুনা শেন্নম্বা) তাঙলবা কলা মখল মুংশিল্লকপা নত্তনা অনৌবা কলা মখল অমত্তসু পুথোরকখিদরে। মোদর্নাইজেসনগী মিংদা মপানগী পোৎ ইয়ুমদা পুশিনবা, মীরমগী কলচর ইরমদা তোংশিনবা, অতোপ্পা আর্ট ইশাগীদা য়ানশিনবা, মীগী মতৌ তম্বা হৈবদুবু ক্রিয়েটিব আইদিয়া লৈবা মীনি খন্নরকপা ওন্থোকপা জেনেরেসন অমদনি ঐখোয়না ঙসি হিংলিবা। মীরোল (ইংলিস) ঙাঙবা হৈববু লাইরিক হৈবনি খন্নবা, হিন্দুস্থানি সঙ্গীত হৈববু ঈশৈ হৈবনি খন্নবা, সংস্কৃত লোল ইবা-পাবা হৈববু ধর্ম্ম লৈবনি খন্নবা অঙকপা মীরোল অমনি। কয়ামুক কনবা মীরমগী ইথিলনো হায়ববু, য়েংবীয়ু- লাইফাওবা মীরমদগী লাক্লগা লমদমসিদা লৈররবনি, ঐগী লোল’দা শোনবা মিংখে মানা তাবীদবগী থাক্তা লাক্লবনি।

ঐগী থম্মোয়সিনা ইনশিন্দুনা ঙসি কন্না তম্নিংলক্লিবা পাউদমসি- ঐখোয়গী ক্রিয়েটিবিটি মাঙশিল্ল-কপসিনা ইশাগী কলচর, আইদেন্টিটি, ইকোনোমি অমদি সোসল ষ্ট্রকচরদা কয়ামুক য়াম্না শোকচিল্লকপগে হায়বদু হাইফেৎ নৈনজনিংলুবনি। পাবীরিব-শিংনা পাউদম অসি নেগেটিব ওইবা পর্সপেক্টিবস য়েংবীদনবা হঙ্গৎচরি। পাউদমজরিবা ইশামকসু অদোমগুম্না আশা (হোপ) য়াওদ্রবা মীয়াম মরকসিদা লৈরুবনা চীনসিদগী নীংবা কায়বগী খোন্থোক অমা ইতৎ তত্তনা লোয়নবা থেংনবীরল্লগনি মমাঙদা। অদুবু থাজরুবা পামজরুবা অদুদি পোজিটিব ওইবা রিজল্ট’তুনি।

হায়বা ইন্দবা, লমহেনবা মচা ৱারকপদা মমা-মপানা মচা ৱারকপদা নুংশিব্রবা মচাদা ‘নঙতা শিজখ্রো, নঙ পোত্তুনা ঐ ৱারিবনি’... হায়বদুগুম্বনি। মচিন্দা শিজখ্রো হায়রসু মচাদু হূ পীজদুনদি হাৎতোক্তেদনা!

তশেংবনি, ঐখোয় লৈবাকসে লোইরবনি। অহুমশুবা মীৎ অদুনা অমুক্তং য়েংবীয়ু- লৌখৎপা য়াবা করি হীরম লৈবগে? নোং ফুং ঙাল্লকপদগী অহিংগী তুন্নমদাই মীকুপ ফাওবদা অদোম্না শীজিন্নরিবা অমদি চারি-থক্লিবা পোৎলমশিং মীঙোন্দা/মীরৈবাক্তা মপাল তাঙদবা করি পোৎলম য়াওবগে? মখোয়দা মপাল তাঙদনা ঐখোয় কয়াম কুইনা হিংবা ঙমগনি? মসি খঙবদুননি ঙায়োক চফুগুন্নবা তম্পাক লম অসিদা হিংলিবা মীয়াম অসিবু নেসনল হায়ৱে অনীসিদা খৌরি চরম মেৎপগুম অমুক থিংজিন অমুক হাংদোক শান্নরিবা। অদুগা, ঐখোয়না পাঙদবা মীরোল অমগুম ‘অখাঙ কনববু তাক্লবগী পাঙ্গলনি’ হায়জদুনা থেমজিঞ্জরিবা। তশেংবদি ঐখোয়না পোলিটিকেল অমদি ইকোনোমিক অস্পেক অনীমক্তা মীশোল অমগুম লৈরিবনি। মুন্না মুক্তা খন্থবীয়ু, অস্পেক (মীৎয়েং) অনীসিদসু ‘ক্রিয়েটিব আইদিয়া’ হায়বা অদু ৱাৎপনা মীমান্নবা ঙমদবনি। য়াবীনিংবরা?

মেনেজমেন্ট স্কুলদগী এম বি এ দিগ্রী পায়রগা, নোংচুপলোমদগী পূরগা পুরকপা আইদিয়াদুখক্তনা ‘বিজিনেস অম্পায়র’ অমা মায় পাক্লা চলাইবগী গরেন্টি নত্তে হায়বসি ইন্দিয়ন যোগ-গুরু ‘বাবা রামদেব’ অমদি মাগী খ্বাইদগী নক্লবা মরুপ ‘আচার্য বালকৃষ্ণ’না অনীনা অহিংবা খুদম ওইনা উৎলম্মী। মীওইববু হকচাং ফনা থম্নবা হোৎনবদা অয়ুর্বেদকী হীদাক লাংথক্কী শক্তিদা থাজবা থমদুনা কম্পেনি অমা লিংখৎখি- ‘পাটাঞ্জলি অয়ুর্বেদ লিমিটেদ’। কুমজা ২০১১, কম্পেনি অসি হৌদোকপদা মরুপ-মপাং, খঙন-চান্নবা ইনভেষ্টরশিংদগী পুদুনা লঙদুনা লিংখৎখিবদগী কুমজা ২০১৪ ফাওবদা লুপা ক্রোর ২০০০ গী টর্ন ওভর ওইরম্মী। মথং চহীদা য়ৌরকখি- লুপা ক্রোর ৫০০০ গী বিজিনেস টর্ন ওভর। কুমজা ২০১৬ কী এপ্রিল ২৬ ফাওবদা কম্পেনি অসিগী বিজিনেস টর্ন ওভর লুপা ক্রোর ১০,০০০ য়ৌদুনা কোর্পোরেট ৱর্ল্ড পুম্বদা ‘অয়ুর্বেদ ইন্দষ্ট্রি’ অমদি লোকল মেনেজমেন্ট টেলেন্ট’কী পোটেন্সিয়েল উৎথোকখি। বাবা রামদেব ইচম চম্বা যোগ গুরু অমদি বালকৃষ্ণ, ‘য়ালস নৎত্রগা হার্ভার্দ য়ুনিভর্সিটিদগী থোক্লকপা হাই-ফাই মেনেজমেন্ট গ্রেজুয়েট নত্তে। মহাক্কী হায়ববু মথৌদা কখোকপা অমদি পুকচেল শেংবা হায়বদুনা মরুওইবা ক্বালিফিকেসননি। বালকৃষ্ণ কম্পেনি অসি হৌদোকখিবা নুমীৎতগী ঙসি ফাওবা নোংমত্তা ছুটি লৌখিদ্রি। অয়ুক পুং ৭ তগী নুমীদাং পুং ১০ ফাওবা মেনেজিং দিরেক্টর ওইনা থবক শুই।

ইন্দিয়াগী অয়ুর্বেদ ইন্দষ্ট্রিগী অতোপ্পা গ্লোবেল বিজিনেসমেন, সামি-দাইরেক কম্পেনিগী ‘ডোক্তর মজীদ’না মণিপুরদা লাক্লুনা মণিপুরদা ফংবা মেদিসিনেল প্লান্টশিং অমদি মখোয়গী মতিক ময়ায়শিংগী মরমদা সেমিনার পেপর পুথোকখ্রবনি। লমদমসিগী লৈঙাক অমদি লৈরিবা মীয়াম অসিনা মশাগী ক্রিয়েটিব বিজিনেস আইদিয়া লৈজদবা অমদি মীপাল তাঙবগী হৈনবী অনী অসি পাখিবনা মমিৎ তাঙবা অমগুম তৌফম খঙদনা ফম্বনি। ‘মণিপুর মেদিসিনেল প্লান্টস বোর্দ’ লৈ হায়বখক্তনি, মশাগী মরল হুরানবা নত্তনা অতৈ অমা হৈতবা লৈঙাকপশিংগী মীৎয়েংখাদা লৈবনা খোঙতেকপা অমগুম ফম্বনি। রামদেব অমদি বালকৃষ্ণগুম্বা পুংবা অমত্তং থোরক্লবা লমদমসিদা, থাজবীদবরা, সনা লৈবাকসিগী লৈহাওদগী হৌরকপা পান্থীশিং সনা পান্থীমক্তা ওইগনি। লুরিবদি, হুরানবা নিংথৌ লৈরিমখে সনা পান্থীনা হৌ য়াদবসিনি।

লৌশিং পুক্কে

# মতম শাংনা ষ্টেরোইদ শীজিন্নরবদি এভাস্কুলর নেক্রোসিসস, গাউটনচিংবা লায়না কয়া ওইহল্লকই



ডোক্তরশিংগী মোত মতুংইন্নদি অসিগুম্বা মখলগী মশল শেমগৎনবা সপ্লিমেন্ট অমসুং ষ্টেরোইদ শীজিন্নবনা শরূ তাঙ-তাঙদা খুদোংচাদবা কয়ামরুম থোকহল্লকই হায়রি। মতম শাংনা ষ্টেরোইদ শীজিন্নরবদি গাউট অমসুং এভাস্কুলর নেক্রোসিসনচিংবা লায়না কয়া ওইহল্লকই হায়নসু অখঙ- অহৈশিংনা ফোঙদোক্লি। ষ্টেরোইদনা থোকহল্লকপা খুদোংচাদবশিং মতম চানা লায়েংহৌদ্রবদি ফীভম হেঞ্জিনখিদুনা পুন্সি চুপ্পা শোয়নাইহনবা য়াই হায়রি।

মীপুম খুদিংমক মশা-মউ ফবা লোইনা পাম্মে। ফিল্ম অমদি টেলিভিজনদা উবা মশল মত্রং-মত্রং কাবা হিরোশিংগী মতৌ তমদুনা নহারোল কয়া বোদি বিল্ডিংদা মায় ওনশিন্নরক্লি। পান্দম ফংনবা হোৎনবদা নহারোল কয়ানা মশল শেমগৎনবা সপ্লিমেন্ট অমসুং ষ্টেরোইদ শীজিন্নবসু য়াওদবা নত্তে।

জয়পুর গোল্ডন হোস্পিটালদা ওর্থোপেদিক্স দিপার্টমেন্টকী মকোক ওইনা লৈবা ডা. মনোজ শর্ম্মনা হায়খি, নহারোলশিংনা মশল শেমগৎনবা সপ্লিমেন্ট অমদি ষ্টেরোইদ শীজিন্নবদগী শরূ তাঙ শোকচিল্লকপগী থৌওং অসি য়াম্না খুদোংথিনিংঙাই ওইবা হেল্থইস্যু অমা ওইরক্লে। মতম চানা য়েংশিনলহৌদ্রবদি কা-হেন্না খুদোংথিবা থোকহল্লকপা য়াই।

অখঙ-অহৈশিংনা হায়খি, মশল সপ্লিমেন্ট অমসুং ষ্টেরোইদ কা-হেন্না শীজিন্নবনা ওষ্টিওনেক্রোসিস ওইহল্লকই। ওষ্টিওনেক্রোসিস হায়বসি শরূ অমসুং তাঙদা ঈ মরাং কায়না ফংহনবা ঙমদবদগী তপ্না তপ্না শরূ পাথরকপা, শিথরকপগী থৌওংবুনি। মরুওইনা নীংজোল, খুড়ি, লেংজুম অমসুং খুজেংগী শরূ শোকচিল্লকই।

মুম্বাইগী লিলাবতি হোস্পিটালদা ওর্থোপেদিক সর্জন ওইবা ডা. নিরাদ ভেংসরকারনা হায়খি, নহারোল অয়াম্বা মশল শেমগৎনবনি হায়দুনা ডোক্তরগী পাউতাক য়াওদনা ষ্টেরোইদ শীজিন্নবা থেংনৈ। অদুবু থৌওং অসিনা শরূ শোকহল্লকপদগী তাঙ অয়াম্বা লেংথোক-লেংশিন তৌবা ঙমহল্লক্তবা য়াই।

অমরোমদা, ৱোকহার্দ হোস্পিটালগী ইন্টরনেল মেদিসিন দিপার্টমেন্টতা কন্সল-টেন্ট ওইনা লৈবা ডা. বেহরাম পার্দিৱালনা হায়খি, ষ্টেরোইদ কা-হেন্না শীজিন্নবনা উনশশ পাথরকপা, ব্লদ সুগর ৱাংখৎলকপা অমদি শরূ শোন্থরকপনচিংবা খুদোংচাদবা কয়ামরুম থোকহল্লকপা য়াই। মসিগীসু মথক্তা মতম শাংনা ষ্টেরোইদ শীজিন্নরকপা মীওইশিংনা খুদত্তা খংথা থাদোকপা ঙমদে।

সফদরজং হোস্পিটালদা মেদিসিনগী এক্সপার্ট ওইনা লৈবা সঞ্জিব চতুর্বেদিনা হায়খি, ফনা তমথিবা লায়নানা নারবসু ষ্টেরোইদ য়াওবা হীদাকশিং তোয়না খক শীজিন্নরোইদবনি। হকচাং মনুংদা মথৌ তাবা চাংদা ষ্টেরোইদ পুথোকই। মসিগী মথক্তা অহেনবা ওইনা ষ্টেরোইদ য়াওবা হীদাক মতম শাংনা শীজিন্নরবদি পূক্লিং-ৱাখল ফাথবা ঙমদবগী খুদোংচাদবা মায়োক্লরকপা য়াই। মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমদা বোদি বিল্ডর চাদা ২০ লোম ষ্টেরোইদ কা-হেন্না শীজিন্নবদগী শিরি।

কনাগুম্বা ইনফ্লেমেটরি বাৱেল সিন্দ্রোম, ওটোইম্যুন দিজিজ, জোইন্ট পেনা, মশলগী অনাবা, অজমা, এলর্জি অমসুং কেন্সরনা নারবা মীওই খরদা তঙাইফদনা ষ্টেরোইদ য়াওবা হীদাক থাবা য়াওই। অদুবু মসিনা ঙাইহাক্কী ওইনা ফহনবা মাল্লবসু খুদোংথিনিংঙাই ওইবা সাইদ ইফেক্ট কয়া থোকহল্লি।

মরকসিদা য়ুনিভর্সিটি ওফ ইষ্টর্ন ফিনলেন্দগী এন্টি সারিনা লুচিংবা রিছার্চর কাঙবু অমনা হায়খি, মদুদি মশাগী চহী ২ শুদ্রিবা অঙাংদা অজমা ফহন্নবনি হায়দুনা ষ্টেরোইদ য়াওবা হীদাক থাবা তারবদি তুংগী পুন্সিদা খুদোংথিবা মায়োক্লহল্লি। নিংশা-শ্বর হোনবদা থবাক খেবা অঙাংশিংদা ইনহেল কোর্টিকো ষ্টেরোইদ (আই সী এস) থাবগী চৎনবী অমা লৈ। অদুবু থৌওং অসিনা অঙাংগী চউবা থিন্থহনবগা লোয়ননা খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্লহল্লি।

য়ুনিভর্সিটি ওফ ইষ্টর্ন ফিনলেন্দগী এন্টি সারিনা লুচিংবা টিম অমনা মশাগী চহী ২ শুদ্রিবা অঙাং ১২,৪৮২ গী মরমদা কুপ্না থিজিনখি। মদুদা ষ্টেরোইদ কা হেন্না শীজিন্নবা অঙাংশিং চাউবা থিল্লি হায়বা খঙলকখিবনি। মরুওইনা ষ্টেরোইদ য়াওবা অজমাগী হিদাক শীজিন্নবা অঙাংশিং চাউবা তপ্পী হায়রি। রিছার্চর কাঙবু অসিনা খরা চাউখৎপা অঙাংদা ষ্টেরোইদনা করি করম্বা অকায়বা থোকহল্লকপগে হায়বদু খঙদোক্লবা হোৎনরি। ৱাফম অসি স্পেনগী বার্সেলোনাদা হন্দক পাঙথোকখিবা য়ুরোপিয়ন সোসাইটি ফোর পেদিয়াট্রিক এলে দাক্রাইনোলোজিগী মীফমদা রিছার্চরশিংনা ফোঙদোকখিবনি। হেন্না নুংনাংবা পোক্লিংঙাই ওইরিবদি ষ্টেরোইদ য়াওবা হীদাক শীজিন্নবনা শরূ অমসু তাঙ-তাঙদা অকায়বা পীরক্তুনা পুন্সি চুপ্পা শোয়নাইহনবা য়াবগী মতাংদনি।

## রোদ সেফটি ব্রিক কেম্পেন পাঙথোকখ্রে



ককচিং, ফেব্রুৱারী ৭(ঐচএনএস): ফেব্রুৱারী ৪ দগী ১০ ফাওবা চয়োল অমা চত্থরিবা ৩০ রোদ সেফটি ব্রিক-২০১৯ কেম্পেন শরুক অমা ওইনা থৌরম অসি দিষ্ট্রিক্ট ট্রান্সপোর্ট ওফিস থৌবালনসু ইন্সটিট্যুট ওফ দ্রাইভর ট্রেনিং রিসর্স সেন্টর থৌবাল ব্রাঞ্চ, য়ুনাইটেদ মোটোরস ককচিং, রবি দ্রাইভিং স্কুল ককচিং এন্দ ককচিং মোটোরস, রোয়ল ইনফিলদগা খুৎশম্নদুনা দি টি ও থৌবাল ওফিসতা ঙসি পাঙথোকখ্রে। দি টি ও থৌবাল শেঙহৈশেল টোল্টাংনা লমথাদুনা বাইক রেল্লি অমসু পাঙথোকখ্রে।

‘সরক শুরকশা জীবন রকশা’ হায়বা থিমগা লোয়ননা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা বাইক রেল্লি অদু লমথাদুনা দি টি ও থৌবাল শেঙহৈশেলনা ফোঙদোরকপদা রোদ সেফটিগী পাউজেল পুবা রেল্লি অসিনা লিলোং, থৌবাল, ৱাংজিং, খোংজোম, ককচিং অমদি পলেলগী মফমশিং শিনবা থুংনা চৎতুনা মীয়ামদা লম্বীগী নীয়ম ঙাক্না চৎপিনবা পাউজেল পীগনি। শরুক য়ারিবা পুম্নমকপু মহাক্কী মায়কৈদগী অপেনবসু ফোঙদোক্লকখি।

আই দি টি আর সী (ইন্সটিট্যুট ওফ দ্রাইভর ট্রেনিং রিসর্স সেন্টর) গী মেম্বর সেক্রেটরি শান্তিকুমার নাওরেমনা য়ান্নবা মীয়ামগী পুন্সিদা খুদোংথিবা কয়া ঙাকথোক্লবা ঙসিগী রোদ সেফটিগী পাউজেল পুবা থৌরম অসি পাঙথোকপনি।

## ঐখোয় লাইরিক নিংথিনা তমসি হৌদোকখিবগী ১৩শুবা থৌরম পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ৭(ঐচএনএস): মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ) না কুমজা ২০১৬কী ফেব্রুৱারী ৯দগী হৌদুনা পাঙথোক্তুনা লাকপা একাদেমিক কেম্পেন ঐখোয় লাইরিক নীংথিনা তমসি হৌদোকখিবগী ১৩শুবা এনিভর্সরি থৌরম থা অসিগী ৯গী অয়ুক পুং ১০ তাবদা ঘড়ীদা লৈবা হ্যুমেন রিছোর্স দিভলপমেন্ট একাদেমিদা পাঙথোক্লগনি।

নুমিৎ অসিদা এদ্যুকেসন ইন প্রজেন্ট এন্দ মণিপুর টুমোরো হায়বা থিমদা এদ্যুকেসনেল কনভেন্সন অমসু নুংথিলগী সেসন্দা পাঙথোক্কনি হায়না এম এস এফকী পব্লিসিটি সেক্রেটরি ইন চার্জ খাঙেম্বম বিদ্যাসাগরনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

থৌরম অসিদা লমাবম মহেন্দ্র চ্যেরমেন কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুর (কোসেম), ঙারিয়ানবম মিলন প্রসিদেন্ট এম এস এফ, এল ইবোয়াইমা জোইন্ট দিরেক্টর দিপার্টমেন্ট ওফ এদ্যুকেসন (হায়র এন্দ য়ুনিভর্সিটি), ইবেচাউবী লাইশ্রম রিছার্স দিভলপমেন্ট ওফিসর, দিপার্টমেন্ট ওফ এদ্যুকেসন (এস), সুসিত্রা খুমুকচম জেদ ঈ ও জোন ৱান অমদি এল কামখ্যা কুমার প্রিন্সিপাল ঐচ আর দি একাদেমি ঘড়ীনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াগনি।

নুংথিলগী সেসন্দা পাঙথোক্ক-দৌরিবা এদ্যুকেসনল কনভেন্সন অসিদা রিছোর্স পার্সন ওইনা ডা. চিংলেন মাইস্নাম এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর দিপার্টমেন্ট ওফ ইকনমিক্স, এম য়ু ডা. ধনবির লাইশ্রম, কাংজম জয়ন্ত হেদ মাষ্টর ইন চার্জ সমুশঙ শান্তিপুর অপ্পর প্রাইমারি স্কুল অমসুং নেসনল টিচর এৱার্দি লোয়ননা লাইশ্রম জয় খুমন সেক্রেটরি এ এম আর পি এস দব্লিয়ু এনা ৱাঙাঙলোই ওইগনি।

থৌরম অসিদা লমদম অসিদা লৈরিবা ওজাশিং, মহৈরোয়শিং, ইন্টিলেকচুএল পার্সনশিং অমদি মীয়াম্না শরুক য়াবিয়ু হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোরক্লি।

## স্কিল দিভলপমেন্ট ট্রেনিং প্রোগ্রাম হৌদোকখ্রে




থৌবাল, ফেব্রুৱারী ৭(ঐচএনএস): কাউন্সিল ফোর এদভান্সমেন্ট ওফ রুরেল দিভলপমেন্ট (সী এ আর দি) থৌবাল ক্ষেত্রি লৈকাইনা স্মোল ইন্দষ্ট্রিজ দিভলপমেন্ট বেঙ্ক ওফ ইনি দয়া (এস আই দি বি আই) ইম্ফাল ব্রাঞ্চকা খুৎশম্নদুনা চয়োল ৬ চুপ্পা চত্থগদবা স্কিল দিভলপমেন্ট ট্রেনিং প্রোগ্রাম ফোর কেন এন্দ বেম্বু ক্রাফট ঙসিদগী সী এ আর দিগী ট্রেনিং হোলদা হৌদোকখ্রে।

নহা ওইরিবা আর্টিসানশিংনা মশাগী কলচর আইদেন্টিটি ঙাক্লনবা, স্কিল এক্টিভিটি কয়া হেনগৎনবা অমদি মশানা মশাবু মরোমদোম থবক পিজবা ঙম্ননবা পান্দমদা চত্থগদৌরিবা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অসি হৌদোকপগী থৌরমদা টি এম সী ৱার্দ নম্বর ৩ গী কাউন্সিলর পি জিতেশ্বর, এস আই দি বি আই ইম্ফালগী বি ও ইন চার্জ জী গুণাকুমার শর্মা, দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল সোসাইটি থৌবালগী দি পি এম সী ঐচ বসন্তা অমদি সী এ আর দিগী প্রসিদেন্ট আই অচৌনা অথোইবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

ট্রেনিং অসিদা শরুক য়ারিবশিংনা রিসোর্স পার্সন কয়ানা তাক্লম্বা কয়া পুক্লিং চঙনা তাহৌদুনা অফবা আর্টিসন অমমম ওইবা ঙম্নবা হোৎনসি, ইরমদমগী পোৎথোক পুথোকচদুনা লমদম অসিগী শেন্মিৎ-লোন ফগৎনবা হোৎনসি হায়না ৱাঙাংলোয়শিংনা ফোঙদোকখি।

## অমাইবীবু জগোয় শাবী ওইনা লৌরোইদবনি : উকল

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ৭(ঐচএনএস): লমদম অসিগী মশক নাইরবী ইমা বোনিনা সঙ্গিৎ নাটক একাদেমি এৱার্দ ফংলকপা অমদি অমাইবী ইমা নামৈরাকপম ওংবী হেমোলতানা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমি এৱার্দ ফংলকপদা উমংলাই কনবা অপূনবা লূপ (উকল) না থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

উকলগী জেনরেল সেক্রেটরি এম জিলাঙম্বনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, সনা কোনুংগী উত্রা শঙলেন্দা মকোক থোংবা ওইনা লৈরিবা ইমা অমাইবী অনীনা লেমজনীংঙাই ওইরবা মনাশিং অসি ফংলকপা অসিনা হৌরক্লিবা অমাইবী কয়াদা অনৌবা ৱাখল অমা পোকহল্লে। তৌবতবু শক্লাইরবী ইমা অমাইবী ওইনাম ওংবী ধোনিবু জগোয়গী লম্‌দা শক্লাইরবী হায়না মিদিয়াদা ফোঙলকপা অসিদা চমম্নবা পোকপগা লোয়ননা ৱাহং কয়া থোকহল্লে।

ইমা অমাইবীদি জগোয় শাবী নৎত্রগা জগোয়গী এক্সপার্ট ওইনা লৌবীবদি লানগনি। ইমা অসিদি অমাইবী ওইনা লৌবীগদবনি। ঈশৈ নৎত্রগা জগোয় ফনা হৈরবসু অমাইবীদি অমাইবীনি। অমাইবী ওইনা লৌবীগদবনি অমদি লাইনীং লাইশোনগী মরু ওইবা মীওই অমা ওইনা মখোয়বু মালেম ইমাগা চাংদম্নদুনা ইমা অমাইবী কৌনরিবনি হায়রি।

শক্লাইরবী অমাইবী ইমা ধোনিবু জগোয়গী লম্‌দা শক্লাইরবী হায়বীরিবসি মতৌ করম্না করিগী হায়বনো হায়বসি মরী লৈনবশিংনা শেংদোকপীদুনা চমম্নবা অসি কোকহনবীফম থোকই। অমাইবী অমদা লৈবা খুন্নাইগী থাক অসি হন্থহনবীরোইদবনি হায়না চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## এ এ পিসু এলাইন্স শেন্বদা য়াওরগনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ৭(ঐচএনএস): চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন য়াওনা পাঙথোকখিবা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী ৱারেপ মতুং ইন্না সিটিজনশিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৬কী মায়োক্তগা চৎলুবা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী হন্দক শেন্লিবা এলাইএন্স অসিদা আম আদমি পার্টিসু ৱাখল্লোন মান্নবা পার্টিশিংগা লোয়ননা য়াওরগনি হায়না পার্টি অসিগী এগজিক্যুটিভ বোদিনা ৱারেপ লৌরে হায়রি।

আম আদমি পার্টি মণিপুরগী কনভেনরনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, এগজিক্যুটিভ বোদিগী মীফম অদুদা থৌদাম মনিহার কনভেনর এ এ পি মণিপুরনা প্রিসাইদ তৌখি। মখা তানা এ এ পিগী ৱাখল্লোনবু য়ানীংদবা পার্টি খরগা লোয়ননা চৎমিন্নবদা ঐখোয়বু থওইদবা অদু ৱারৌবা তৌররোই হায়না পার্টিগী মেম্বরশিংদা ফোঙদোক্লখি।

মণিপুরগী মীয়ামদা মাঙনবা শিল্লকপা থৌওংশিংদা এ এ পিনা ৱাখল মান্নবা পোলিটিকেল পার্টিশিংগা লোয়ননা মীয়ামগী ঈহৌদা মতম খুদিংদা শরুক য়াগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

